ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
www.sanaleibak.in
সনালৈবাক
চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

মহৌশাদগী চৎনরকপা অমা ওইনা মৈতৈশিংগী চহী হৌবা শজিবু চৈরাওবা নুমিৎতা নীংথিনা লাংলবা মথেল–লুকোইশিং লমাবা–তুমাবা, লমশেনবা, তুশেনবা লাইশিংদা কৎপগী শক্তম অমা

কোরোনাভাইরস ঙাকথোক্লনবা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম থিংবগী মথক্তা কর্ফ্যু মনুংদা পেসেঞ্জর পীক থন্না পুরগা লম্বীদা থৌরকপা ওটো রিক্সো অমা শিংজমৈ চীংঙামথক্তা পুলিসনা থিংলগা ৱাহং পাউহং চথবগী শক্তম অমা

মীপুম খুদিংমক মিটর অমমম লাপ্পা লৈবিয়ু হায়বা লৈঙাক্কী পাউজেল অমা ফাওবা থওইদনা শিংজমৈ এ সিগী মফম অমদা চেঙ য়েন্নবা পুরকপা ট্রক অমদা মীয়াম ওমশিন্দুনা ওন্থোকপা ফীভম অমদা য়েংনবগী শক্তম

Volume No: 44 Issue: 120 IMPHAL THURSDAY 26 MARCH 2020 শগোলশেন, শজিবুগী ২ নি পানবা RNI Regd. No. 31350/77 PAGE : 8 Price:Rs 3.60

ৱাখলগী চিঙ্গাক

ঈশ্বরনা খ্বাইদগী ফবা ডাক্তরনি, লাইশোন্না খ্বাইদগী ফবা হিদাকনি।

অঈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ৩১.৫৫° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১১.৬° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৫.১২
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৫.২৮

পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৮.১৮
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬০.৮৫

লুহোং–মচল
SANSUI 32' LED (SMART K)
SAMSUNG 190 LT. REFRI.
SANSUI 7.2 KG WASHER
₹ 29,990/-
ORIENT IRON FREE
SANSUI 32" LED TV
GODREJ 180 LTR. REFRI
SANSUI 6.5 KG WASHER
₹ 25,500/-
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

SAMSUNG COMBI
SAMSUNG 32' LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
GODREJ / SAMSUNG 7.2 KG WASHER
₹ 33,000/-
TATA SKY FREE
SAMSUNG 43" SMART LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
SAMSUNG 8 KG WASHER
₹ 57,500/-
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

লোইরেদনা

বাজি, লৈবাক্কী ফীভমনা হন্দক্তি ফজনা কৎপা ঙমজদ্রে ৱারৌবিনু...!

ꯕꯥꯖꯤ, ꯂꯩꯕꯥꯛꯀꯤ ꯐꯤꯚꯝꯅꯥ ꯍꯟꯗꯛꯇꯤ ꯐꯖꯅꯥ ꯀꯠꯄꯥ ꯉꯝꯖꯗ꯭ꯔꯦ ꯋꯥꯔꯧꯕꯤꯅꯨ...!



হায়, নখোয়গী মাস্কতু ১ /২ কৎলকউনে.. লাইরেবাক্তসু তঙ্গা ঙমদেনে...!

ꯍꯥꯏ, ꯅꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯥꯁ꯭ꯀꯇꯨ ꯱/꯲ ꯀꯠꯂꯀꯎꯅꯦ.. ꯂꯥꯏꯔꯦꯕꯥꯛꯇꯨ ꯇꯪꯕ ꯉꯝꯗꯦꯅꯦ...!

হেক্তা হায়জিনবা

খেপশিংগী এদভাইজরি

এদভাইজরি থোরক্লি
খেপশিংগী কর্ফ্যু মনুংগী
খেপশিংগী লোকদাউন্দগী
খেপশিং দুরিশিংগী
খেপশিং রমিশিংগী
খেপশিং ফ্লাসশিংগী
এদভাইজরি থোরক্লি
লাইয়ুম পাকথোক চাউথোকউ
মখোঙ পুন্নমক লাপথোকউ
মিটর অমমম লাপথোকউ
মিটর শাংবা চৈ শীজিন্নৌ
চে থাবা চে শৎপগী
পৈশা লৌশিল্লমদাইদা
পৈশা থারমদায়দা
সেকমাইগী সেনিটাইজর শীজিন্নৌ
নশা নশাসু সেনিটাইজ তৌ
পেক মঙা তরুক
পেক মঙা তরুক
এদভাইজরি থোরক্লি

মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা চেঙ ৱানগে ফংদ্রে

ক্বারেন্টিন ফেসিলিটেসন সেন্টর ১০ দা মীওই ১৩৩ থমখ্রে, মীশীং হেনগৎলকখিগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (এস এন এস)ঃ

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা পীখিবা পাউজেল অমসুং সেন্ত্রেল গর্ভর্নমেন্টনা লৈবাক পুম্বা নুমিৎ ২১ নি লোকদাউন তৌদুনা থল্লিঙৈদা চৎনগদবা কাঙলোনশিং মণিপুরগীদি কর্ফ্যুনা থৎখিবদগী গ্রোসরি দুকানশিং থোঙ হাংনদবনা মরম ওইরদুনা মীয়াম্না চেঙ ৱানবা ফংনদবদগী অৱাবা মায়োক্লরে।

লৈবাকসিগী কোনুং ন্যু দিল্লি অমদি অতৈ ষ্টেট খরদদি গ্রোসরি দুকানশিং হাং হল্লি অমসুং পুলিসনা ঙাক্লগা মিটর অমমম খন্নরগা ক্যু লেপহন্দুনা চেঙ–চাক, হৱাই–চেঙৱাইশিং ফংহল্লি। অদুবু মণিপুরদদি ঙরাং অয়ুক পুং নিপান তাবদগী মণিপুর পুম্বদা কর্ফ্যু থমজিনখিবা মরন্না গ্রোসরি দুকানশিং থোঙ হাংনদ্রে। লৈকাই লৈকাইদা হাংলম্বা গ্রোসরি দুকানশিংসু ময়ান্না পোৎ– চৈ লৈনখিবদগী শিং নানবা য়াওনরে। ফীভম অসিনা চেঙ খুয়া অমা ফাওবা ৱানবা ফংনরক্তবদগী মণিপুরগী মীয়াম চরা হেনবা য়াওনরে হায়না পাউচে অসিদা ৱাকৎনরক্লি।

পাউ অসিনা হায়, নুমিৎ ২১ নিগী লোকদাউনগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্সনা থা অসিগী ২৪ দা থোকপা চেরোল অমনা হায়, দিফেন্স, সেন্ত্রেল আর্ম ফোর্সেস, ট্রেজরি, ওইল পম্প, পোষ্ট ওফিস, ইলেক্ট্রিসিটি, ইমর্জেন্সি সার্ভিসেস, মেডিকেলগী হীরমদা থবক তৌরিবশিং, মেডিকেল ইকুইপমেন্ট য়োল্লিবা দুকানশিং, লেবোরেটরিজ, ক্লিনিক, এম্বুলেন্স, নর্সিং হোম, নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম য়োনবা দুকানশিং, বেঙ্ক, ইন্সুরেন্স ওফিস, এ টি এম, প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেডিয়া, ইন্টরনেট সার্ভিস, এল পি জি, গ্যাস রিটেল, ষ্টোরেজ আউটলেটশিং, ইসেন্সিয়েল কোম্মোদিটিজগী মেনুফেকচরিং য়ুনিটশিং, পোই–চৈ পুথোক–পুশিন তৌরিবশিং, ফার্মাসি অসিনচিংবা তঙাইফদনা নোংমদা চঙবা পোৎলম ফংবা মফমশিংগী ওইনদি লোকদাউন অসিনা কোনশিল্লোই হায়বা য়াওরিবনি। অদুবু মণিপুরদি কর্ফ্যু লৈবা মরন্না মীয়ামগী য়েংলগা কোমথোক্কনি হায়বা তঙাইফদবশিং অসি অমা ফাওবা ফংদ্রে।

ঙরাং অয়ুক্তগী থল্লকখিবা কর্ফ্যু ঙসি নুমিৎ চুপ্পা অমা লৌথোকখিদ্রবসু থক্লনবা ঈশিং য়োনবা গাড়ীশিংদি অথিংবা লৈতনা চৎহল্লি। অদুবু ঈশিং টেঙ্কি ট্রক অমদা হান্না লুপা ১,১০০ দা থারম্বদু কর্ফ্যু লৈবগী মিং দা লুপা ১,৫০০ য়ৌখ্রে। মেজিক নৎত্রগা টাটা দি আইদা ঈশিং পুরক্লগা য়োনবা কাঙবুসু মমল খাইবোক অমা হেনগৎলক্লে। মসিনা হান্নদগী হৌনা অৱাবা মায়োক্লদুনা লৈরিবা লায়রবা মীয়ামদা চৈথেং পীরে। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়না ৱাকৎনরক্লি।

অদুবু ষ্টেট অসিগী ওইনদি অমত্তা হাংনদবনা মীয়াম পুন্নমক নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া ফংদবগী অৱাবা চাউনা মায়োক্লবা হৌরক্লে।

ষ্টেট অসিদা কোভিদ–১৯ গী কনফার্ম ওইবা কেস থেংনখিবদগী ষ্টেট লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা মতম কক্তবা কর্ফ্যুনা মরম ওইরগা ষ্টেট পুলিসশিংনসু চান–থক্লবা পোৎলম য়োনবা দুকান অমা ফাওবা হাংবা

মচঙ ওইবা ৱাফম খরা

- কর্ফ্যুনা মরম ওইরদুনা মফম অয়াম্বদা মীয়াম্না চেঙ ৱানগে ফংদ্রে।
- ক্বারেন্টিন ফেসিলিটেসন সেন্টর ১০ দা মীওই ১৩৩ থম্বা হৌখ্রে।
- ঈশিং লল্লোনবশিংনা লৌনিংবা মমল লৌরগা ঈশিং টেঙ্কিশিং য়োল্লে।
- থাংমৈবন্দগী মফম অনী, উরিপোক্কী মফম অমা, শগোলবন্দগী মফম অহুম, কৈশামথোংগী মফম অমা, য়াইস্কুলগী মফম অমদা গ্রোসরিগী পোৎলমশিং ফংহনগদৌরি।

য়াহন্দনা লাক্লি।

মরক অসিদা, কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবদগী জেনিমসকী আইসোলেসন ৱার্দতা লায়েংদুনা লৈরিবী নুপীমচা অদুগা ফ্লাইট অমত্তদা লাকমিন্নখিবা মীওই ১৩৩ মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম ১০ দা হাংবা ক্বারেন্টিন ফেসিলিটেসন সেন্টরশিং দা থল্লি। এয়ার এসিয়াগী ফ্লাইট অদুদা তোং লকখিবা মীওই ১৭৬ মক ক্বারেন্টিন তৌদুনা থম্নগী তঙাইফদবা লৈবনা ময়ুম ময়ুমদগী লৌখৎননবা লৈঙাক্লা থৌরাং তৌখ্রে। মরম অদুনা ক্বারেন্টিন তৌবা মীগী মশীং হেনগৎলকখিগদৌরি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ইম্ফাল ৱেষ্টকী হাংদোক্লিবা ক্বারেন্টিন সেন্টর অনী হায়বসি য়ুনাক্লো স্কুল মৈত্রমদনা নুপা ১৭ অমসুং নুপী ১৯ থারগা মীওই ৩৬, ইম্ফাল ভেল্লি একাদেমীদনা ***...মখা লমায় ৩দা...***

কোরোনাভাইরস ঙাকথোক্লবা মণিপুরদসু ফোগিং কাপ্পা হৌরে

মিজোরামদা মীওই ১ কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইরে

আইজোল, মার্চ ২৫ (এস এন এস)ঃ

কোরোনাভাইরস মায়োক্লনবা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা ঙসিদগী ইম্ফালগী মরু ওইবা মফম খরদা ফায়র সার্ভিসনা সোদিয়ম হাইপোক্লোরাইট সোলুসন অমসুং ব্লিচিং পাউদরনচিংবা য়ানশিল্লগা ফোগিং ওইনা কাপথোকপা হৌখ্রে।

মণিপুর ফায়র সার্ভিসকী ফায়র টেন্দর অনী শীজিন্নদুনা বাবুপরাদা লৈবা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোগা তায়নবা মরু ওইবা লম্বীশিংদগী হৌখি। জেনরেল পোষ্ট ওফিস মমাঙ, নুপী লাল মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স মমাঙ অমসুং মায়োক্লবা লম্বী, গর্ভর্নরগী মমাঙগী গেট মপাদগী কৈশাম্পাৎ ফাওবা অমসুং জোনষ্টোন স্কুল ময়া ফাওবগী নাক–য়েৎকী লম্বীশিংদা ফোগিং কাপথোকখি। হয়েংসু মখা চথখিগনি হায়না মফমদুদা মথৌ পাঙথোক্তুনা লৈরম্বা পার্সোনেল অমনা হায়রি।

মরক অসিদা, নেদরলেন্দদগী হল্লকপা চহী ৫০ শুরবা মিজো মচা ১ কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইদুনা অৱাং নোংপোক্তা লায়না অসিগী অনীশুবা পোজিটিভ কেস ওইরে হায়না ষ্টেট অদুগী হেল্থ মিনিষ্টর আর লালথাংলিয়ানানা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সিদগী ফংবা পাউ অমনা হায়, কেস অসিগী টেষ্ট রিপোর্টকী মতুং ইন্না নুপা অসি আইজোলদগীনি। মহাক গুৱাহাটি মেডিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল (জি এম সি ঐচ) দগী লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা য়ৌরকপনি। লোয়ননা নুপা অদুগী টেষ্ট রিজল্টনা হৌখিবা অহিং অথেংবদা ফংবনি। ষ্টেট অদুদা অহানবা কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ***...মখা লমায় ৩দা...***

কাবুল গুরুদ্বরগী এটেকতা সিখ মচা ২৭ শিরে, কয়ানা শোক্লে

কাবুল, মার্চ ২৫ (এস এন এস)ঃ

খূৎলায় নীংথিনা পায়বা মীওই খরনা অফগানিষ্টানগী কোনুং কাবুলদা লৈবা গুরুদ্বর অমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা সিখ মচা ২৭ হাৎখ্রে, কয়া অমনা অশোক–অপন নংহনখ্রে।

থৌদোক অসিবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে লোয়ননা থৌদোক অসি আই এস আইনা থোকহনবা ওইগনি হায়না মরাল শীরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী এক্সটর্নেল এফেয়ার্স মিনিষ্ট্রিদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌদোক অসি য়ান্না লাইবক থিবা অমনি। থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু লৈবাক অসিনা শরুক য়ারি। লোয়ননা শোক্লবশিং অসিসু থুনা ফগৎলকপা ওইরসনু। অফগানিষ্টানদা লৈরিবা হিন্দু অমদি শিখ লাইনিং চৎপশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিদা লৈবাক অসিনা অঙম্বা মতেং পাঙগনি। খূৎলায়সু পায়জদবা, লাইগী থৌরম তৌজদুনা লৈবা মীওইশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীশি মীনা কয়া থোকহল্লিবা অসি য়ান্না পাঙদবগী থৌওং অমনি। মসিদসু নক্তনা কোভিদ–১৯ না মরম ওইদুনা মালেম শিনবা থুংনা খম থেংনা ৱানরিবা মতম অসিদা অসিগুম্বা থৌওং চথবা অসি মীওইবা অমগী লমচৎ নত্তে।

অসিগুম্বা তমথিরবা থৌদোক অসিদা মথৌনা ফরবা অফগানিষ্টানগী সেক্যুরিটি পোর্সেসশিংনা থুনা লাকশিন্দুনা কা হেন্না মীশি–মীনা থোক্লমগদবদগী ঙাকথোকপিবা অসিগীদমক নুংঙাইবা ফাওই। মখা তানা অফগান লৈঙাক অমদি মীয়ামগীদমক্তা ইন্দিয়ানসু অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়খি।

থৌদোক অসি ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা থোকহনবনি হায়দুনা ক্লেম তৌজরবসু সাইট ইন্টেল্লিজেন্স গ্রুপকী রিপোর্ট মতুং ইন্না থৌদোক অসি পাকিস্থানগী আই এস আই গী খুজিন থৌরাং ওইগনি হায়না ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

অফগানিষ্টানগী সেক্যুরিটিগী সোর্চ অমনা লৈবাক অসিগী মেডিয়াদা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না আই এস আইনা কন্ত্রোল তৌবা তালিবানগী শরুক অমা ওইরিবা হেক্কানি নেটৱার্কনা কাবুলদা লৈবা ইন্দিয়াগী মিসন অদুদা এটেক চথবা পামদুনা লৈরক্লবনি। অদুবু সেক্যুরিটি কনবনা মরম ওইদুনা গুরুদ্বরদা ওইনা এটেক অসি চথখিবা ওইগনি হায়রি। *মখা লমায় ৩দা...*

শীজিন্নরুরবা কিটশিং লম্বীদা লংথোক্লম্বদগী ইরাং হৌরকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা হৌজিক মালেমগী ওইনা অচৌবা হকশেলগী শিংনবা অমা ওইরিবা কোভিদ–১৯গী লায়চৎ অসি থেংননবা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী কৈরাও ৱাংখেমদা হাংদোক্লিবা ক্বারেন্টিন ফেসিলিটি সেন্টরদা লৈরিবা ষ্টাফশিংনা শিজিন্নবা লোইরবা পার্সোনেল প্রোটেক্সন ইক্যুইপমেন্ট (পি পি ই) কিটশিং খাও অমদা হাপ্লগা লৈকাইগী মঙ পুখ্রি অমগী মনাক্তা লংথোক্লম্বদগী লৈকাই অদুগী মীয়াম ইরাং হৌরকখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা মরী লৈনবশিংদগী এক্সপ্লেনেসন কোল তৌখ্রে হায়না হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী কৈরাও ৱাংখেমদা লৈরিবা ষ্টেট টি বি হোস্পিটালদা লৈঙাক্লা থোকখিবা য়াথং অমগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ক্বারেন্টিন ফেসিলিটি সেন্টর হাংদোকখি।

সেন্টর অসিদা ঙরাংদগী হৌদুনা এম্বুলেন্সতা মীওইশিং পুরক্লগা থম্বা হৌরকখিবনি। ঙসি অয়ুক লৈকাইগী মীওইশিংনা লম্বী চৎপদা দিসপোজিবল বেগ অমদা হৌজিক কোরোনাভাইরসনা নারবা অনাবশিং য়েংবা দাক্তরশিং অমদি ষ্টাফশিংনা মশাবু ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্লবা শীজিন্নরিবা পি পি ই কিট অমনবশিং হাপ্লগা লংথোক্লম্বা থেংনখি। লোয়ননা মাস্ক অমদি হেন্দ গ্লোবসু মনাক অদুৱাইদা লংথোক্লম্বা থেংনখি। মসিদা নক্তনা টি বি হোস্পিটাল অদুদা ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈবা মীওইশিং থোরক্লগা মনাক নকপদা লৈবা দুকানশিংদগী অচা অথক লৈবা থোরক্লম্বা থেংনখি হায়রি।

থৌদোক অদুগী পাউ তাবদগী লৈকাই মীয়াম হৌরক্তুনা ষ্টেট টি বি হোস্পিটালদা ক্বারেন্টিন সেন্টর হাংদোকপা য়ারোই হায়দুনা অকনবা ইরাং শাগৎলকপগা লোয়ননা হোস্পিটাল অদুদা লাকপা এম্বুলেন্সশিং থিংখি। পাউ অদু তাবদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পিনা লুচিংবা পুলিসকী টিম অমা মফম অদুদা লাকখি। লোয়ননা দিপ্যুটি কম্মিস্নরগী মীহুৎশিংসু থারক্তুনা ফিভম অদু য়েংশিনখি হায়রি।

তুংদা কৈরাও এ সিগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর মশামক লাক্তুনা ফিভম অদু য়েংশিনলবা তুংদা মীয়ামগা ৱারী শান্নবগা লোয়ননা সেনিতাইজর, মাস্ক অমদি দিসইনফেক্টেন্টশিং পীবীদুনা হোস্পিটালগী অকোয়বা অমসি খুল অদুগী মফম ***...মখা লমায় ৩দা...***

কোভিদ–১৯ না নারবী নুপীমচাগী ফিভম ফগৎলক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (এস এন এস) ঃ

মণিপুরগী অহানবা কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইখিবী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী চহী ২৩ শুরবী অনাবা অদু মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী গাইদলাইনশিং মখাদা লায়েংবদগী ফিভম ফগৎলকপা হৌরে হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লিখুন অমনা হায়রি।

পাউ অদুনা মখা তানা হায়, জে নিমসকী আইসোলেসেন ৱার্দতা লায়েংলিবী অনাবী অদুগী ফিভম য়াম্না ফগৎপা উরে। মহাক লন্দনদগী থা অসিগী ২১ দা মণিপুরদা য়ৌরকখিবনি। অমদি মহাক্লা মণিপুর খক নক্তনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী অহানবা কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইখিবনি। লোয়ননা সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা নুমিৎ অদুদা মহাক্লা ***...মখা লমায় ৩দা...***

ইন্দিয়াদা কোভিদ–১৯ না নাবা মীওই ৬০৬ শুখ্রে

হেলপলাইন নম্বরশিং ওন্থোক ওনশিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (এস এন এস) ঃ

মালেমদা অকিবগী শক্লোন লৌদুনা লান্দারক্লিবা কোভিদ–১৯ গী লায়চৎনা মালেমগী ওইনা মীওই ৪,৫৩,০৭৪ নাহনখ্রে। মসিগী মনুংদা মীওই ২০,৫১৯ লৈখিদ্রে। মীওই ১,১৩,১২১ না ফদুনা ময়ুম ময়ুমদা হন্নখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা লায়না অসিনা মীওই ৬০৬ নারে, মীওই ১০ লৈখিদ্রে।

ঙসি খক্তদা ইন্দিয়াদা মীওই ৭০ কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। মখোয়গী মনুংদা মিজে ৱারামদগী অমা য়াওরি। মহারাষ্ট্রনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেট ওইরি। ষ্টেট অসিদা মীওই ১২৮ নারে। মসিগী মতুংদনা কেরলানা মীওই ১০৯ নাদুনা অনীশুবদা লৈরি। ইন্দিয়াগী ওইনা অনাবা মশীং অসিদা মীরৈবাক মচা ৪৩ য়াওরি। তামিল নাদুদা ঙসি ষ্টেট অদুগী অহানবা ওইনা কোরোনাভাইরসনা নাবা মীওই ১ লৈখিদ্রে। দিল্লিদা মীওই ৩১, গুজরাটতা ৩৮, হরিয়ানাদা ২৮, হিমাচল প্রদেশতা ৩, করনাটকাদা ৪১, মধ্য প্রদেশতা ১৪, উরিষ্যাদা ২, পঞ্জাবতা ২৯, রাজস্থানদা ৩৬, তামিল নাদুদা ১৮ তেলঙ্গনাদা ৩৫, ছটিসগরদা ৭, পুদুচারিদা ১ নারে।

কোভিদ–১৯ লায়চৎ থেংননবা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা হেলপলাইন হাংলিবা নম্বর অদুদা কোল তৌবদা পায়খৎতে হায়বা ৱাফম সোসিয়েল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইখিবা অদু লাইবক থিবনি। হেলপলাইন নম্বর হোংদোক হোংজিন তৌখিবা মীয়াম্না খঙদবদগী থোকখিবনি হায়না দাইরেক্তর ওফ হেল্‌ঠ সার্ভিসেস মণিপুরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, থা অসিগী ২৩ দা কেবিনেট মীটিং চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিয়েটতা পাঙথোক্তুনা পুং ২৪ চুপ্পা মথৌ তৌগদবা কোভিদ–১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুম অমা হাংদোকখ্রে। লোয়ননা মার্চ ২৩ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৭.৩০ দগী হান্না চৎনরম্বা হেলপ লাইন নম্বর ০৩৮৫–২৪১১৬৬৮ অদুগী মহুত্তা অনৌবা হেলপ লাইন নম্বর ১৮০০–৩৪৫–৩৮১৮ ওইনা চৎননবা লাওথোকখ্রনি। মীয়াম্না অনৌবা নম্বর অসিদা মরু ওইবা ৱাফমশিং খঙবা অমদি লৈঙাক্কী মতেং লৌবা য়াগনি।

য়ূমদা ক্বারেন্টিন তৌরিবশিং হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংনরকপদা পেন্নদ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (এস এন এস) ঃ

লৈঙাক্কী পাউতাক মতুংইন্না মপানদগী লাকপা মীওইশিং হোম ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈরিবা ইমুংশিং লৈকাই লৈকাই অদুগী মীয়াম্না মখোয়বু তাথি তাওইনা তৌবিবা, শোক্ল শন্নবা য়াদবগুম খনবগা লোয়ননা মখোয়বু হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংবীবগী চৈথেং নংলে হায়রি।

মপান লমদা মহৈ মশীন তম্লুরগা ইম্ফালদা থোরকখিবা মহৈরোই অনীগী মমা অমনা পাউচে অসিদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লকখিবনি। মহাক্লা হায়, মহাক্কী মচা অনী অমনা পঞ্জাবতগী হৌখিবা মার্চ ১৮দা অদুগা অতোপ্পা অমনা বেঙ্গলরুদগী মার্চ ২১দা ইম্ফালদা থুংলখিবনি।

লৈঙাক্লা পীরকপা পাউতাক্কী মতুং ইন্না মখোয় এয়ারপোর্টতা রিপোর্ট তৌরবা মতুংদা হোম ক্বারেন্টিন তৌনবা পাউতাক পীরকপগী মতুংইন্না হৌজিক য়ূমদগী মপান থোকহন্দনা হোম ক্বারেন্টিন তৌরগা লৈরিবনি।

অদুবু লৈকাইনা মখোয়গী মচা অনাবা অদু য়ূমদা থমজিল্লগা লৈরে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী মীওইশিং চৎপা মতমদা লৈকাইনা হঙ্গোইবা মতৌ উৎপীবা, উন্ননিংদবা, ৱারী শান্ননিংদবগী ফিভম কয়া মায়োক্লরে হায়খি।

মহাক্লা হায়, মখোয়গী অঙাংশিং ইম্ফালদা হেক থুংলবদগী হৌদুনা পুলিস, হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং অমদি কন্ত্রোল রুমগী নম্বরগা ***...মখা লমায় ৩দা...***

ইন্দিয়া থুগায়গে, লম লৌগে হায়বা নত্তে: কেঐচ সাথি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ঃ মণিপুরগী লালহৌলূপ অমা ওইনা লৈরিবা পিপলস ঞ্জরভোলুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী ৪০ শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দেগী থৌরমগা মরী লৈননা লূপ অসিগী মিলিটরি এফেয়ার্স কম্মিটি (এম এ সি) গী চেয়ারমেন কেঐচ সাথিনা রেদ আর্মিশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চহী খুদিংগী মার্চ ২৬ তা পাঙথোকপা রেইদ আর্মি অপরাইজিং দেগী থৌরমগী মাঙওইননা এম এ সিগী চেয়ারমেননা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা ৱাফোঙ চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়া থুগায়গে নৎত্রগা মখোয়গী লম লৌগে হায়বা নত্তে। লমদমসিদা হৌজিক চথরিবা ঈহৌ অসিদি ইনিদয়াদগী তোখায় তাগে হায়বা নত্তে, মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা লান্মী শীজিন্নরগা নমদুনা লৌখিবা ঐখোয়গী নীংতম্বদু অমুক হঞ্জিনজগে হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, মখোয়না লমদমসিগী য়াওল্লোইশিংবু এক্সট্রিমিষ্ট, টেরোরিষ্টনি হায়না অরানবা মিংথোল পীশিল্লি অমসুং ইন্দিয়াগী মথক্তা নীংতম ঈহৌ (লিবরেসন মুভমেন্ট) তৌবা লৈতে হায়না মালেমগী মীয়ামদা উহল্লি। মখোয়গী থৌরাং অসি ওইরোইদবা অমদি মৈবু ফিনা কুপ্তুনা থন্নবা হোৎনবনি। মতিক মঙম লৈত্রবা নিংথৌবু নোংমৈ চিন্দোনদা খূৎয়েক পীহনখিবা ম্যুনিসিপাল লো অমসুং ইন্টরনেস্নেল লোনা য়াদবা, খূৎশেমগী য়ানচে নীংতম্বা কংলৈপাক্কী মতমদুদা লৈরম্বা মীয়াম্না মীখল পাঙথোক্লগা শেমখিবা নেস্নেল লেজিসলেচর অদুনা অয়াবা পীরমখিদে, রিফরেন্দম নৎত্রগা প্লেবিসাইট অমা তৌদুনা কংলৈ মীয়াম্না অয়াবা পীখিবসু লৈতে।

চহী লিশিং ২ হেনবগী নীংতম্বগী পুৱারী লৈজরকপা এসিয়ান সোভরেন ষ্টেট কংলৈপাকপু লম করাম্বা লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়ানা নমদুনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা তিনশিনখিবদগী ইন্দিয়াগী শুপনম লৈঙাক অসিবু ইরমদমগী লৈমায়দগীদা নক্তনা মালেমগী মফম পুম্বদগী মতম চুপ্পগী ওইনা মরু ফংনা ফক্তৎনবা প্রিপাকনা ৱাখল–পান্দম মান্নবা ৱেসিয়া লমদমগী য়াওল্লুপশিংগা খূৎশন্নদুনা মাঙখ্রবা ইরৈবাক্কী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগী নীংতম য়াওল লাম্থেং অমা লেপ্পা লৈতনা চথদুনা লাক্লি হায়নসু মখা তারি।

প্রিপাক্কী লান্মী শঙলূপ ওইরিবা রেদ আর্মিনা লূপ অসিগী অমসুং কংলৈপাক মীয়ামগী থৌদা পুদুনা অৱাবা অমদি খুদোংথিবা থৌদোক কয়া করিসু নাচুংদনা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীদুনা ইরৈবাক্কী নীংতম্বা চাউখৎপা অমদি মান্নবা খুন্নাই হায়বা পল্লুংদু য়ৌনবা হনবা লৈতনা মাঙলোমদা চঙশিল্লিবা অদুগীদমক চাউথোকচৈ হায়রি।

ইন্দিয়ানা কংলৈপাকপু মখোয়গী লমগী ফিবান্নুংদা নমদুনা পুশিনখ্রবা, অদুগা কংলৈপাক্কী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা মীয়ামগী লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মতমদগী ঙসি ফাওবা লেপ্তনা চঙশিল্লক্লিবা নীংতম ঈহৌ অসিবু ইনিদয়ানা কা হেনবা থবক তৌবা মীওই খরগী থবক ওইনা মালেমগী মীয়ামদা উহন্নবা ***...মখা লমায় ২দা...***

BOOK ONLINE TODAY
BEST & AFFORDABLE
CAB SERVICES IN MANIPUR
MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Power by: IMPHAL FINANCE
For Booking
Dial:
1800-345-3838
8258070746
9402267525
TRACK YOUR RIDE IN REAL TIME. KNOW HOW FAR YOUR RIDE IS.
GET IT ON Google Play
DOWNLOAD 100% FREE APP
Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor

সনালৈবাক কী মরুওইবা টেলিফোন নম্বরশিংঃ ঈ–পাউ পীবিনীংবশিংনা 7005576312 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9958998160 দা, গ্যাস অমদি ওফিসকীনা 9402247588 দা পাউ পীবিবা য়াগনি